



# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, WEDNESDAY, DECEMBER 05, 2018 PAGE 7**


*পেরিসতা পাঙথোকখিবা বেলোন দি'ওরগী মনা য়েঙ্হোকপগী থৌরমদা বেষ্ট য়ং প্লেয়রগী এৱার্দ ফংখ্রবা ফ্রান্সকী শান্নরোই কাইলিয়ান মবাপ্পে*

*ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিদা মখা তানা চহী ৪ অমগা শান্নবগীদমক কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখ্রবা মশাগী চহী ২৯ শুরবা স্পেনগী শান্নরোই কেসর এজপিলিকুয়েটা*



## ক্রোএসিয়াগী মিডফিল্ডর লুকা মোদ্রিক অমসুং নোরৱেগী ফোরৱার্দ অদা হেগরবর্গনা বেলোন দি'ওরগী মনা ফংখ্রে



*বেলোন দি'ওরগী নুপা অমসুং নুপীগী মনা ফংখ্রবা ক্রোএসিয়াগী লুকা মোদ্রিক (ওই) অমসুং নোরৱেগী অদা হেগরবর্গ*

*পেরিস, দিসেম্বর ০৪ঃ*

ফ্রেঞ্চ ফুটবোলনা ফুটবোল মশান্নগী লমদা পীবা খ্বাইদগী চাওবা মনা বেলোন দি'ওর নুপাগীদা ক্রোএসিয়াগী মিডফিল্ডর লুকা মোদ্রিকনা অদুগা নুপীগীদনা নোরৱেগী ফোরৱার্দ অদা হেগরবর্গনা ফংখ্রে।

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা ফ্রান্স ফুটবোল মেগাজিননা ওর্গনাইজ তৌবা বোলোন দি'ওর এৱার্দ অদুগী নুপাগীদা ক্রোএসিয়াগী লুকা মোদ্রিকনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদগী খ্বাইদগী ভোট মশীং হেন্দুনা এৱার্দ অসি অহানবা ওইনা ফংবা ঙমখি।

ক্রোএসিয়াগী লুকা মোদ্রিক হৌজিক-হৌজিক স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শরুক য়ারিবনি। ক্রোএসিয়াগী মোদ্রিকনা শরুক য়াদুনা জুলাই থাদা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা লৈবাক অসি রন্নর্স অপ তাহৌবনি। টুর্নামেন্ট অদুদা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ক্রোএসিয়াগী মিডফিল্ডর লুকা মোদ্রিকনা প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি লুকা মোদ্রিকনা শরুক য়ারিবা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা মমাঙগী চেম্পিয়ন্স লীগ সিজনদা চেম্পিয়ন ওইহনবা ঙমখিবনি। লোয়নননা মহাক্কী মরমদা ওইরিবা ক্রোএসিয়াবু রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল য়ৌবদা চাওনা মতেং পাঙখিবনি।

পনবা য়াবদি বেলোন দি'ওর এৱার্দ অসি কুমজা ২০০৮ দগী হৌরগা মমাঙ চহী ফাওবদা আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি অমসুং পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ফংদুনা লাকখিবনি।

বেলোন দি'ওর অসিগী মমাঙদা মনা কয়া ফংখ্রবা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাদা শান্নরিবা আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি চহী অসিগী ওইনা ভোট তৌনবদা ৫শুবদা লৈখি। অদুগা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসনা শান্নরিবা পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ভোট অসিদা অনীশুবা তাখি।

ফ্রান্স ফুটবোল মেগাজিননা পীবা মনা বেলোন দি'ওর অসি কুমজা ১৯৫৬ তগী পীবা হৌরকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী চহী অসিদা নুপীগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইদসু অহানবা ওইনা পীখিবনি।

চহী অসিগী ওইনা নুপাগী কাঙলুপ্তা অহানবা ওইনা পীবা বেলোন দি'ওর মনা অসি ফ্রান্সকী নুপী ফুটবোল ক্লব ওলিম্পিক লিওনসেতা শান্নরিবা নোরৱেগী অনা হেগরবর্গনা ফংবা ঙমখি।

অদা হেগরবর্গনা ফ্রান্সকী ক্লব ওলিম্পিক লিওনেসতা শরুক য়াদুনা শান্নখিবদা ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স লীগকী ৩লক চেম্পিয়ন ওইহনবা ঙমখি। মমাঙগী সিজনদা অদা হেগরবর্গনা টুর্নামেন্ট অদুদা খ্বাইদগী য়াম্না স্কোর তৌবগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

## ওস্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩ -০ দা মায়থিবা পীরম্লগা হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, চাইনা অমসুং আয়রলেন্দ দ্রো চৎখ্রে

ODISHA HOCKEY MEN'S WORLD CUP BHUBANESWAR 2018

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৪ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চখরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল বি গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওস্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনা অমসুং আয়রলেন্দ পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল বি গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওস্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ওস্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মখা তানা লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী মেটচকী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল লৈনখিদে।

শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা জেক হেৱট্টোননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চখরকখিবা এটেক অমদা ব্লেক গোবর্সনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেল নকশিনহনখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৪ দা ঙাইরবা মতমদা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই কোরে ৱেয়রনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ওস্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পুল বি গী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনা অমসুং আয়রলেন্দ পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি। চাইনা অমসুং অয়রলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা অয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা চাইনাগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা গুৱো জিননা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মিনট অমা লৈরগা অয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা অলান সোথর্ননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎখি।




*মমাঙগী চেম্পিয়ন ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং হরাওবা উৎপা*

## কানাদাগী খৃষ্টিন জিরার্দতা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডল পীখ্রে

*ওট্টাৱা, দিসেম্বর ০৪ঃ*

চহী ৬ হেন্না ঙাইদুনা লৈনরকখিবা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলিম্পিক্সকী কেজি ৬৩ গী গোল্ড মেডল কানাদাগী লিফটর খৃষ্টিন জিরার্দতা ঙসি পীখ্রে।

কুমজা ২০১২ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৩ গী ৱেঠলিফটিংদা কানাদাগী খৃষ্টিন জিরার্দ মরিশুবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অসিদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবা কজাখষ্টানগী লিফটর ইরিনা নেক্রাসোভাগী ব্লদ সেম্পলদা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওরম্বদগী কুমজা ২০১৬ কী লোইশিল্লকপদা কানাদাগী লিফটর খৃষ্টিনদা ব্রোঞ্জ মেডল পীখিবনি।



ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডলনা কজাখষ্টানগী মাইয়া মানেজানা ফংখি অদুগা সিলভর মেডলনা রুশিয়াগী লিফটর স্বেটলানা সারুকেভানা ফংবা ঙমখিবনি। অদুবু গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল ফংখিবা লিফটর অনী অসিগী ব্লদ সেম্পল ১,৫০০ হেন্না লৌদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন টেষ্ট তৌরবা মতুংদা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওরম্বদগী কেস মখা চখদুনা লাকখ্রবা মতুং চহী অসিগী এপ্রিল থাদা অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসন ফংখিবা লিফটর অনীমক দিস্কালিফাইদ তৌরগা কানাদাগী লিফটর খৃষ্টিন জিরার্দতা গোল্ড মেডল পীবদা য়ান্নখিবনি।

কানাদাগী নুপী লিফটর খৃষ্টিন জিরার্দনা ইভেন্ট অসিদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা অসিনা দিসিপ্লিন অসিদা কানাদাগী ওইনা অহানবা গোল্ড মেডল ফংবা ঙম্বী লিফটর ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই কানাদাগী লিফটর খৃষ্টিন জিরার্দ কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা কেজি ৬৩ গী কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

## ইটালিগী সেরি এদা নাপোলিনা অটলান্টাবু ২-১ দা থোইদুনা ২শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে, স্পেনগী লা লীগাদা লেভান্টেনা এঠলেটিক বিলবাওবু ৩-০ দা থোইখ্রে

*রোম। মাদ্রিদ, দিসেম্বর ০৪ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী মেটচ অমদা নাপোলিনা অটলান্টাবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে, স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা লেভান্টেনা এঠলেটিকো বিলবাওবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নাপোলি অমসুং অটলান্টানা ঙসি শান্নখিবা সেরি এগী ১৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী ২শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা ফাবিয়ান রুইজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা য়াম্না ঙন্না অটলান্টাবু খুদুম চনবা ঙমখি।



*নাপোলি অমসুং অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা সেরি এগী মেটচ অমদা বোল ফংননবা হোৎনখিবা*

মখা তানা শান্নরকপদা নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু অটলান্টাগী দিফেন্দরশিংনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনহন্দনা থমখি।

অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনসু নাপোলিগী মায়োক্তা এটেক চখদুনা শান্নরকখিবা অদু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা নাপোলিনা অটলান্টাবু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা দুভান জাপাটানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা মান্নখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা নাপোলিগীশান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা এরেক মিলিকনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না অটলান্টাবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা জুবেন্টসনা মেটচ ১৪ শান্নবদা মেটচ ১৩ মায় পাকপা অমসুং মেটচ অমা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৪০ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা অহানবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা ১৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লেভান্টেনা এঠলেটিক বিলবাওবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু টিম অনীমক হৌবদগী লম্বা য়াম্না মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা লেভান্টেগী শান্নরোই চেমানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০ দা হেল্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা লেভান্টেগী শান্নরোই জোস কেম্পানানা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ৬৯শুবা মিনটতা টিমমেট রোজর মার্টিনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু ৩-০ দা মায় পাকখি।

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮-১৯

## কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি অমসুং জমসেদপুর এফসি পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে

*কোচি, দিসেম্বর ০৪ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি অমসুং জমসেদপুর এফসি পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি অমসুং জমসেদপুর এফসিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু খুদোংচাবা ফংনখিদবদগী মায় পাকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।


অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৬৬শুবা মিনটতা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপর ধিরজ সিংহনা চৎন-পত্থাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবগীদমক মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা জমসেদপুরগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

জমসেদপুরনা ফংখিবা পেনাল্টি কিক অদু টিম অদুগী শান্নরোই কার্লোস কালভোনা কাউশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা য়ুম্বু কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা জমসেদপুর এফসিগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক মখা চখরকখি।

শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মণিপুরী মচা সৈমিনলেন দোঙ্গেলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।



## বুদাপেষ্টনা কুমজা ২০২৩ গী ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইরগনি

*বুদাপেষ্ট, দিসেম্বর ০৪ঃ*

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টনা কুমজা ২০২৩ ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইরগনি হায়না ইন্টরনেসনেল এসোসিয়েসন ওফ এঠলেটিক্স ফেদরেসন (আইএএএফ) না ঙসি লাওথোকখ্রে।

কুমজা ২০১৯ দা কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্লবা মতুং কুমজা ২০২১ দনা য়ুএসএগী সিটি য়ুগেনিদা চখরগদৌরিবনি।

বুদাপেষ্টনা কুমজা ২০২৩ দা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইরি। কুমজা ১৯৯৮ দা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইবা লৈখ্রে।

হঙ্গেরিনা কুমজা ২০২৪ গী ওলিম্পিক গেমস য়ুম্বু ওইননবা হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকখিদবদগী ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু ওইবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবনি।

## ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড কপ হেরো গৌতম গম্ভীর ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতগী পোত্থাখ্রে

*চেন্নাই, দিসেম্বর ০৪ঃ*

কুমজা ২০০৭ গী ৱার্ল্ড টি-২০গী টাইটল লৌবগা লোয়নননা কুমজা ২০১১ গী আইসিসি ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবদা ইন্দিয়াগী টিমদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড কপ হেরো গৌতম গম্ভীর ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতগী পোত্থারে হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৭ শুরবা গৌতম গম্ভীরনা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিঙৈদা টেষ্ট মেটচ ৫৮, ৱান দে ইন্টরনেসনেল ১৪৭ অমসুং টি-২০ ইন্টরনেসনেল ৩৭ দা শান্নরমখি। মহাক্না টেষ্টতা রন ১০,০০০ হেন্না লৌরমখি। মসিগী মনুংদা মহাক্না সেঞ্চুরি ৯ অমসুং হাল্ফ সেঞ্চুরি ২২ লৌরমখি।

গম্ভীরনা কুমজা ২০০৩ দগী ২০১৩ ফাওবদা ওদিআই ১৪৭ অমসুং টি-২০ মেটচ ৩৭ শান্নরমখি।

গৌতম গম্ভীরগী ওইনা রঞ্জি ট্রোফিগী শগোলশেন নুমিৎতা দিল্লি অমসুং অন্ধ্র প্রদেশনা দিল্লিদা লৈবা ফেরোজ সাহা কোট্লা ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অরোইবা মেটচ ওইগদৌরি।

### ক্রোসৱার্দ ২গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | H | R | O | B | | M | I | T | T | | C | E | D | E |
| W | E | A | V | E | | A | C | H | E | | A | M | I | D |
| A | N | G | E | R | | J | O | I | N | | R | I | N | G |
| | S | U | R | G | E | O | N | S | D | E | G | R | E | E |
| | | | H | E | A | R | | | O | N | O | | | |
| L | A | M | E | N | T | | A | N | N | E | | G | M | C |
| A | S | E | A | | N | I | C | E | | M | A | R | I | O |
| S | T | A | T | E | O | F | M | A | R | Y | L | A | N | D |
| E | R | N | S | T | | S | E | R | E | | L | I | C | E |
| R | O | T | | U | F | O | S | | R | E | F | L | E | X |
| | | | O | D | E | | | J | U | N | O | | | |
| F | I | F | T | E | E | N | H | U | N | D | R | E | D | |
| A | B | E | T | | B | E | E | N | | S | O | D | O | I |
| C | I | T | E | | L | E | A | K | | I | N | N | E | R |
| T | S | A | R | | E | D | D | Y | | T | E | A | R | S |